ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুলাই ২৫, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ১২০শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯ লায়েংলিবা দোক্তরশিংগী মরাইবক

## য়ু এসতা দোক্তরশিং ইকায়খুম্নরবসু ইন্দিয়াদদি তাথী তাওইনা তৌবিরি

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা দোক্তরশিংগী থৌদাং কয়ামুক য়াম্না মরু ওইবগে হায়বদু অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসিগী কেস মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়নন্না ফ্রন্টলাইন ৱর্করনি হায়নরিবা দোক্তর, নর্স অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফ পুম্নমক পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ পাঙথোকপগী ফীভম লাক্লে। অদুম ওইনমক থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা মথৌ পাঙথোল্লিবা হেল্থ ৱর্কর অমদি দোক্তরশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবিবগী মওং অমা উবা ফংলিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোল্লিবা দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্করশিংদা এটেক তৌবগী থৌদোক তোয়না থোকখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্না ওর্দিনান্স অমা চৎনহন্দুনা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলকখি। চহী ১৩৭শুরবা ইপিদেমিক এক্ট ১৮৯৭ এমেন্দ তৌদুনা চৎনহনখিবা ওর্দিনান্স অদুগী মতুংইন্না দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্করশিংদা এটেক তৌবা অমসুং তাথী-তাওইনা তৌবা মীওইশিং লুপা লাখ ৫ ফাইন থিহনবগা লোয়নন্না চহী তরেৎ ফাওবা জেলদা থমগদৌরি। কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট লায়েংলিবা দোক্তর অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না অসি মীওই অমদগী অমদা মথং-মথং শন্দোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌই হায়না মীওই অয়াম্বনা অরানবা মওংদা থাজনবগী মওং অমা উবা ফংলি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়, দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্করশিংদা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীবগা লোয়নন্না 'ফ্রন্টলাইন ৱর্কর' শিংদা এটেক চথবা অমসুং তাথী-তাওইনা তৌবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি। অনা-লায়েংগী লম্দা দোক্তর অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসুক্কী মতিক মরু ওই হায়বা পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মদুমক্না মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চহী খুদিংগী 'নেসনল দোক্তরস দে' গী থৌরম পাঙথোক্তুনা অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবশিংবু ইকায়খুম্নরি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা নুমিৎ খেন্ননা থৌরম অসি পাঙথোকপা তারবসু নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি চপ মান্নে। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনা মার্চ ৩০, কুৱেটকীনা মার্চ ৩, ব্রাজিলনা ওক্টোবর ১৮, কেনাদানা মে ১, ক্যুবানা দিসেম্বর ৩, ইন্দিয়ানা জুলাই ১, ইরাননা ওগষ্ট ২৩, মলেসিয়ানা ওক্টোবর ১০, টর্কিনা মার্চ ১৪, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মার্চ ৩০, ভিয়েটনামনা ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং নেপালনা মার্চ ৪দা 'নেসনল দোক্তরস দে' গী থৌরম পাঙথোক্লি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা তোঙান-তোঙানবা নুমিৎশিংদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্করশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নরি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু চহী খুদিংগী জুলাই ১দা 'নেসনল দোক্তরস দে' গী থৌরম পাঙথোক্লি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বগা লোয়নন্না শক্লাইরবা ফিজিসিয়ন অমসু ওইরম্বা ডা. বিধান চন্দ্র রোই (বি সী রোই) নীংশিংবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমজা ১৮৮২গী জুলাই ১দা পোকখিবা ডা. বি সী রোই কুমজা ১৯৬২গী জুলাই ১দা অরোইবা য়াহিপ তানখি। অনা-লায়েংগী শিনফমদা ডা. বি সী রোইনা লৌরম্বা থৌদাং শক খঙবা ওইনা কুমজা ১৯৬১গী ফেব্রুৱারী ৪দা ভারত রত্না পীদুনা মহাকপু ইকায়খুম্নখি। চহী খুদিংগী ডা. বি সী রোইবু ইকায়খুম্নদুনা পাঙথোল্লিবা থৌরম অসিদা লৈবাক্কী দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্কর পুম্নমক্তা ইকায়খুম্নরি। ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই এম এ) না চহী খুদিংগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা থিম অমমম লাউথোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা জুলাই ১দা পাঙথোকখিবা হন্দক চহীগী থৌরম অসিগী থিমদি 'কোভিদ-১৯না মী শিহনবগী চাং হন্থহনবা' হায়বসিনি। হৌখিবা জন্যুৱারী ৩০দা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা কোভিদ-১৯গী কেস রিপোর্ট তৌরকখ্রবা মতুংদা দোক্তর অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লবা হৌরকখি। খ্বাইদগী ইহান হান্না থেংনরিবা খুদোংচাদবদি পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) মতিক চাদবগী মতাংদনি। হৌখিবা এপ্রিল ৮দা সুপ্রিম কোর্টনা হেল্থ ৱর্করশিংদা পি পি ঈ মরাং কায়না ফংহনগদবনি হায়না য়াথং পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎপা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। পি পি ঈ মতিক চাদবনা মরম ওইরগা দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্কর কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওখ্রে। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌই হায়বগীদমক ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী) গী সেক্সন ২৬৯ অমসুং সেক্সন ২৭০গী মখাদা দোক্তর কয়াগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌবসু লৈখ্রে। কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোল্লিবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিং পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা খূবাক খুখিবা, পুখম য়ৈখিবা অমসুং মৈরা কৎখিবা মীয়াম্না হৌজিক দোক্তর অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংদা অরানবা মীৎয়েং অমা য়েংলক্লিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্করশিং তাথী-তাওইনা তৌবগী থৌদোক তোয়না থোরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসননা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ ফাওবা লৌখ্রবনি। অদুবু য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্শ বর্ধন অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াওনা ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা মীফম অমা পাঙথোল্লবা মতুংদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসনগী খোঙজং হন্দোকখি। নাকল অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনদি দোক্তর অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংবু মীচম-মীয়াম্না অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌই হায়বগীমক ইন্দিয়াদগী হৌখিবা 'উমা মধুসুদন' কৌবা দোক্তর অমা অমেরিকনশিংনা ইকায়খুম্নখি। কর্ণাটকাগী মাইসোরদগী হৌখিবা ডা. উমা মধুসুদননা য়ু এসকী সাওথ ৱিন্দসর হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট কয়া লায়েংখিবনি। মতাং অসিদা হৌজিক খন্ননীংঙাই ওইরিবসি লৈবাক অনীগী মীওইশিংগী ৱাখল্লোন্দা চাউনা খেন্নরিবসিনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অফবা-ফত্তবগী ফলা

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মচা অমনা ফরগা মপোক মহৈ য়ানবা, পোকচমনগী নুংঙাইবা ফংবা, মচা অমনা ফৎত্রগা মমা-মপা ৱাবা, মীৱা-মৈশা লাংবা, পুন্সি চুপ্পা ৱানা লেনবা; লৈঙাক্না ফরগনা লমদম অসি ঈংনা অমসুং চাওখৎনা লৈবা, ফৎত্রগনা কাং-খোং চাইবা, লৈবাক ঈরাং হৌবা মশানা তাবা ৱাফমনি। লৈবাক মরা তপ্না লৈরবতদা চাওখৎপা খুন্নাই পুরকপা, চাওখৎপগী মচাক্তি লৌউ-শিংউ, ইন্দষ্ট্রি, লল্লোন-ইতিক হায়বসিনি। ঙসিদি লৌমী-শিন্মী, থবক ফংদ্রিবা লাইরিক হৈরবা নহারোলশিংবু মতিক চাবা থবক পীনবা পাম্বৈ খক থিবা ফংদ্রি। মপান্দা লৈদুনা প্রাইভেট ফর্মশিংদা থবক তৌরুবা, থবক শূফম লৈতদুনা মীরমদা থবক শূরুবশিং, মরমদম থাদোক্তুনা মহৈ তম্লুবা মহৈরোয়শিং, দিল্লি, মুম্বাইদগী হল্লকপা মীওই খরদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকপদগী মীয়ামগী পুন্সিদা নে-না তানা তংদু লৈতানা হিংবা ঙম্নদ্রে। কুম্মৈ-ফিয়োং, উসব-মেলা, শ্রাদ্ধ কর্ম্ম, স্কুল-কোলেজ পুম্নমক অমত্তা থোঙ হাংনদ্রে। মী খুদিংমক য়ূমদগী মপান থোক্নুদ্রে। চানীংঙাই থক্লিংঙাই লৈতবদগী মীয়াম পুম্নমক শাথীনা অৱাবা মায়োক্নরে। অসুক ৱারবা মতমসিদা মীওই খরদগী য়াম্লবা ব্রাউন সুগর ফবগী পাউনা মহৈরোয়শিংগী নৌরবা ৱাখলদা শেরান্ননা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ময়োল চোংবা হৌরকপা অসি লাইবক থীবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খিবা ৱাহৈ 'ঐখোয়গী মীয়াম ঐগী ইমুংনি, মখোয়গী নুংঙাইবা ঐগী নুংঙাইবনি, মখোয়গী অৱাবা ঐগী অৱাবনি'। ঙসিদি ঐখোয় শ্বাইগী পোলিটিসিয়নশিংনা অমনি। মীয়ামগী অৱাবা খঙবীদে মরন্নাই-মরন্নাই ওইজবা থিবদা ঙাওনরে। লৈঙাক্কী লিক্লম চুম্বা খোঙথাং থাংবা ঙম্লক্ত্রে। মীয়ামগী কান্নবদি কনামত্তা তৌনদ্রে। চাওখৎপগী হৌরকফম শক্তি অসি নিংথিনা শীজিন্নদ্রবদি ফুরুপ অদু কৈদৌঙৈদসু চাওখত্তে। ঐখোয়গী তৌফম থোকপা অদু তৌদ্রবদি তাইবঙ শেম্বা মপুনসু ঐখোয়বু য়ারোই। কান্নদ্রবা কাউশিংগুম্বা লন-থুমশিং, চহী অমমখায়গী মিনিষ্টর ফম মীকানবদা অমদগী অমদা চোঙথোক-চোঙশিন তৌনবদা পোলিটিসিয়নশিং কোর্ট কানরে। মীয়ামগী ফনবা তৌবা ঙম্নবা হায়দুনা ঐখোয়না থাগৎখিবা ঙাক্তনি। মখোয়না অসুম্না তৌদুনা লৈথোক্লবদি ইরমদম অসি করম্না চাওখৎলক্কদগে? মীয়ামগা মরী লৈনদবা পোলিটিক্সকী মঙ অমা মঙনবসি মীয়ামদি লম্বীদা চৎপা লায়রবা মীদু ওইয়ু হায়বনি।

*অদোমগী :- য়ুম্নাম নিংথেম*
*কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়*

# লায়রবা অমদি নুংঙাইনা লেনবা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



লায়রবগী ইমুং :- য়ূমদা হঞ্জিনবদা অহানবদা য়ূম অদু উবদা দাই হল্লনি। হোম স্বিট হোম হায়নরি। লায়রবগীনা হোম বিট্টর হোমনি। য়ূম উবদা দাই হল্লনি। মাঙ্গোল অদু লৈবাক্কী ওইবনা উফুল হৌরনি। লৈরম্মিবা অঙাংশিং চমোৎ-চমোৎলনি। মনপ ইচো চোরম্মনি। মফি-মরোল শেগায়-তুগাই, অমোৎ-অকায় শেৎলম্মনি। ফনেক অমোৎপা অমগা নুপী অদুসু শেন্দল অতৎপা অমগা, মখূনীং ইকায় হেক কায়রদনা শৌ-শৌ লাউবী ওইরম্মনি। য়ূম ফংই মৈ রিচার্জ হাপ্পা ঙমদবগী পীপা-পীপা খোংদুনা অদুম লৈরম্মনি। চফু-উয়ান অকোপ্পা খরা, ফমুং-ফানুং ফংই ফি মতৎ-মতা খরনা মোম্পাকফিদক ওইরমনি। মোম্পাক ফংই মচাক য়াওরম্মোই। পুখম ফংই ইকোপ কোপ্পি। উপু ফজবা অমা লৈবা ঙম্মোই। য়ূম ফংই নোং য়ুরনি। চাক-এঞ্জাং ফংই অহাওবা অমত্তা চাবা ফংলোই। অঙাং হায়রা অপাম্বা স্কুলদা অদুম তমহনবা ঙম্লরোই। টোইলেট হায়রসু বোরানা খরা খল্লগা ৱা অমা-অনী ফৈজিল্লগা লোইরে। অঙাংগী অমাংবনা হয়িং ঙোরোং-ঙোরোং ইল্লগা মাঙ্গোলদা মতৎ-মতৎ। ময়াং ইকং কংবা, চাইরুং ইকোপ কোপ্পা, মনম-মহা চেল্লবা, হন্না য়েংশিনবীবা ঙমদ্রবা হনুবা-হনুবী অনী নৎত্রগা অমা লৈরম্মনি। ঙাইহাক লৈত শেল থৌবা লাকপগা খৎনরনি। মতৈ-মনাও, মমা-মপা মশেল ঙাঙনরিবা ৱা ময়াম অদু ইথোকপদা ফজদবা ঙাক্তা, মপুরোইববু মৱা হায়, মাগী লোয়নবীবু মতু হায় সিগুম্বা মফমদদি। 'মৱানা' 'মতু' চৈবদা লমচৎ নাইদবী হায়বগী অথীবা ৱাহৈ অদু ওইনা হায়রগা লাউ খোংদুনা চৈনরনি। নঙদা শিজখ্রো, নঙদা হল্লক্লনু, 'নঙদা নৱা নাইখ্রো' হায়বা লোল ঙাক্তা ঙাঙনরনি। নুপীনসু হেন্দে, নুপানসু হেন্দে - অকাম্বা ৱাহৈ তাবদা নাকোং মেনশিন্নীংবা ৱাহৈ ঙাক্তনা ফাওনলোন ওইনৈ। ঈশিং লুম্মগা থক্লরোই, মচু তানা ফি শূরগা শেৎলরোই। ঙাইহাক লৈত মপাম চৎলনি। থবক থানা তৌবা মী অমত্তা লৈরোই। মরৌ মশীং লৈরোই। লাইরিক নিংথিনা তম্লোই। মপান্দা মচা-মশু লাইরিক তম্বা থাবা ঙম্লোই। চরা হেনবা খরা, হেন্দবা খরা অদুম হিংলপ-হিংলপ, হিংলি-হিংলি তৌরগা লৈনি। মীগী মপোক্তা পোল্লগা।

অসিগুম্লবা মীওইশিং অসিনা লৈঙাক্তা ৱাকৎ অমত্তা কৎচবা ঙম্মোই। হামু-হামুগী থাক্তগী অদুম হেনগৎতনা লৈজগে হায়দনা অদুম সরেন্দর তৌরগা লৈনি। থবক পীয়ুসু হায়রক্লোই, করপসন তৌনুসু হায়রক্লোই, পোৎ চৈ মমল তাঙখৎলে হায়বসু হায়রক্লোই। লম্বী থোং অমা য়াদ্রেসু হায়রক্লোই। তুমিন্না লৈনি। ৱারেসু হায়রোই, নুংঙাইরেসু হায়রোই। অদুম মতম খরা হিংলম্লগা শ্বর তৎল-তৎলগা শিরগা লৈনুংদা ফুমজিনখ্রগা লোইরে। মচা-মশু য়াম্না-য়াম্না পোকপসু মখোয়না হেল্লি। য়োকপা ঙমদদুনা ফজনা য়োকপা হায়বদু নৎত্রবনিনা হনুরগা মচা মশুশিংনা মচিন পেন্না-পেন্না চৈবীরগা, লক্করগা ৱানা-ৱানা হিংনৈ। ৱানা পোকচগে, ৱানা হিংজগে, ৱানা শিজগে। তাইবঙপাল অসিদা পোক্লুবগী ৱাহন্থোক লৈতে, পোক্লম্মবসু পোকলমদ্রবসু য়াবা ওইনা হিংলি-হিংলা তৌরম্মগা অশিংবা শাদুনা খরা ঙাঙলম্লগা শিনরি। মীনাই ওইরম্মগা শিনরি। ৱারিবা অদুদা লুপা ৫০০ পীশিল্লদি ভোৎ থাদৌ হায়বা মফমদা থাদরে। লুপা ৫০০ পীরবা মী অদু লাইদৌনা থাজরে। ঙাঙনা-শক্লবগা য়াদ্রে। অফ-ফত্ত, অচুম-অরান লৈত্রে।

ইনাক খুনবগী ইমুং :- ইমুং-মনুং শৃৎ নাল্লে। য়ূম কৈ ফজরে। মচা মমৌ মহাক মশামক য়াওনা শেল লোইনা থোক্লে। থবক তৌবনা তৌবা, করবার তৌবনা তৌবা ... প্রেসর কুকর, রাইস কুকর, মাইক্রোৱেব ওভন, ৱাশিং মেছিন, ফ্রিজ, কার, গাড়ী অচৌবা মচা, অনানবা টোইলেট, বাথরুম, নুংঙাইবা শুমাঙ, হোল, লাইব্রেরি, নুংঙাইবা ফমুং, ফজবা ফিরোল, মৌ ফজবী, মচানুপী, মচানুপা মশক ফজবী-ফজবা ঙাক্তা, অতাঙবা টেলিভিজন, অতাঙবা ফোন, বেলেন্স দাইট, শাজেল তৌনবা খূৎলায়শিং, ফেমিলি ডোক্তর, সোফা, অনানবা চৌক্রি, অনানবা মাঙ্গোল টাইলস থাবা, বেঙ্ক একাউন্ট, থাগী তোলোপ, অতাঙবা অঙাংগী শান্নপোৎ, অচাপোৎ, মফি-মরোল, খোঙ লৈবাক তাদবা, মীনাই-মীশন, হেলপর, কুক, স্বিপর, ট্যুসন ওজা, অতাঙবা স্কুল অমত্তা ৱাৎতবা...।

ঐখোয়গী লায়রবশিংনা ঐখোয়গী ইনাক খুনবশিংদগী হেন্না ৱাখল নুংঙাইনা লেনবা ঙম্মী। নুংঙাইবা হায়বদুদি ৱাখলনা পুরে, পেন্থোকপবু হৈরবদি নুংঙাইরে হায়বদা থাজৈ। ঐখোয়গী লায়রবশিংনা থাগৎলগা হরাউদুনা পেন্থোকপা ঙম্মী। মপুন্সি চুপ্পা লায়রবনা নুংঙাইবা ওইজৈ। কাঙখৎপা ঙমদনা অদুম শি। কৈসু লৈতবা ৱাদি মানবা। ●

# করিগী লাইরিক তম্নগদৌরিবনো

**নবকুমার ওইনা**

মহৈ তম্বদবু কনাগী লাইনা করি কান্নরিবগে? মহৈ তম্লগা আই এ এস ওইগে, ডোক্তর ওইগে হায়বসি তোলোপ নৎত্রগা পৱার পাম্বগী ওইগনি। আই এ এসনা করিসু তৌবা ঙম্বা তাদ্রি। করপসন মুখৎপা পাম্বসু য়াওরি, করপসন মুখৎকনি হায়বা ৱাহৈসিমক করপটেদ ৱর্দনি। পি এম ওইগে হায়ুদনা।

হিংবা ঙম্লোইদবা শাজৎ ঙাক্তা চৎপা ফুরুপ ওইরুবদগী মুখরবা, ফুরুপসিগী লোন অসি ফাওবা হিংঙমদবগী ৱাঙাঙ ঙাঙলি। মহৈ তম্বসি লাইরিক তম্বনিসু হায়জিল্লি। ঙসি ফাওবদা হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ লিচৎ শাগৎনবদি হোৎনৈ হায়না হায়না হিংবা ঙমদ্রবনি। হিংবা মানবগী ৱানি। মহৈ তম্নগনি, চাদা মরিফুতরা মাঙলগা তোক্কনি, লাইরিক্তি পারোই। মহৈ হৈরগা থবক ফংদে অমুক হায়গনি, থবক শূদে হায়বনি। মহৈ তম্লুরগা থবক ফংদে হায়বসি লাইরিক ওইনদি তম্লক্তে হায়বগুম্বনি। মহৈ হৈবশিংগী থবক ৱাৎপা হৌনদে। শূনীংদবশিংগী থবক লৈবা হৌনদে। থবক শূদনা নুংঙাইবা মী লৈবা হৌনদে। থবক শূদবশিংগী লৈঙাক ফজবা হৌনদে। মপুক শেংদবশিংগী লৈঙাক মরা তাবা হৌনদে। পুম্নমক লাইরিক ফজনা তম্নদবগী ওইগদৌরিবনি। লমদমসিগী হীরম খুদিংমক ময়েক শেংনা ফজ হনবা ঙম্নবা মহৈ-মশীন তম্নরিবা পুম্নমক লাইগী লিক্লম অমা তম্বগুম্না লৌনরম্বা ওইগনি।

লৈশু লৈতবা লাই হায়বা অমদা ঙসি ফাওবা লাইদুগী লিক্লম তম্বা হায়বা অমদা ফুদিত্তা মাঙজোং চোঙবগুম্না শান্নদুনা লৈরগা করি মহৈ হৈগদৌরিবা? ফিজিক্স তম্লগা লাইগী লম্বীনি হায়বা য়ারিব্রা, কেমিষ্ট্রি তম্লগা লাইগী ৱারীনি হায়রিব্রা, বাইওলোজি তম্বনা লাইগী হকথেংনবা লম্বী ওইগদৌরিব্রা? মসি ফাওবা ময়েক শেংদনা মহৈ তম্ববু লাইগী লিক তম্বনি হায়রগা লৈবসিনা মী কয়াগী পুন্সি মহিংগী লম্বী থৈদুনা পুরি, মী ওইবা ঙম্লোইদৌরি। চীংদোন্দা লৈবা লাইগী খুভম ওইরম্বশিংদা কারগনা হিষ্টরি তম্বনি। লাইগী ময়ূমদা য়ৌরবনি খনবা ঙম্লব্রা নৎত্রগা জিওগ্রাফি হৈবদগী লৈবাক শেন্নম্বনি হায়গদৌরিব্রা? হিষ্ট্রি-জিওগ্রাফি তম্লগা মরৈবাক মুৎখ্রিবনা করিগী? লাইরিক ওইনা তম্নদে হায়বনি, মহৈ হৈতে হায়বনি। থবক থৌওংগী মমিং ফাওবা চুমদবা, লৈবাক মমিং ফাওবা মমালোন্দা থোনবা ঙমজদবা, লোনসি ফাওবা চুম্না ঙাঙবা ঙমজদবশিংনা অহিংবা খুন্নাই অমা লৈবা শারগা মুখৎপসিবু লাইলিক তম্বগীনি হায়গে হায়ব্রা?

কংয়েৎকী ৱা নত্তে, পেসিমিজমগী ৱা নত্তে, রিয়েলিজম অমদা লাক্লবা লম্বী থিবনি। মহৈরোয় অফবা অমদা শৌগৎপা, মনা পীবা য়াম্না ফজবা লোনচৎনি, লেমহৌরিবা ময়ামদুদি হাৎলিবনি, মী নত্তে হায়না চৈবগুম্বনি। থৌওংসি লাইরিক তম্বগী শাজৎ নত্তে, ভোৎকীসু মাল্লি, মোরেল করপসন তম্বীবনি। শৌগৎপদি চুম্মী, হৈতবশিংসু হৈহনবা তারকপদুনি। শেল পায়বনা মকোক থোংবা য়াদ্রবরাও! শিল্লি-লাংলিবশিং লাইরিক হৈবকাক মাল্লকইকো, থবক লৌবদনা ওন্ন-তৈননা শেল চানদৌরিবনি। মহৈরোয়শিং অসি চৈতেক কোৎপী শান্নবগী মতেক্তুনি চোঙখৎহল্লগা কন্না থোমদৌরিবনি। খরা পঙবদগীনা লুপা খাওজাও অমা লৌবা। খরা শানবদুনা থাগৎলগা টিকি পীজবা। টিকি চাবশিং অদুবুনি লাইরিক হৈবশিং হায়নরিবসি। শেল চাবা য়ারোই হায়রুবশিং থবক অদুম ফংদ্রে। থবক তৌরবশিংগী মরক্তা শেল পীজরগা চঙখিবসু য়াওরম্লগনি, তোলোপ হেনগৎলু হায়বগী পুল্লপ ফম্বা উগনি। শেল খায়গৎনরগা পীরবদি তোলোপ হেনগৎপসু য়ারিবনি। খায়গৎফম থোকপগী শেল খায়গৎলিবনি, ভোটতা অমুক য়েন্থোরক্কনি খল্লি।

অসিগুম্বা থবক খরসি তৌবগীবু করিগী লাইরিক তমলুদৌরিবনো। অদুগসু লাইরিক হৈবা শারগা ক্লাস ৱাংবা মান্নবা, লান্না ইশিল্লুবসু য়াওনরম্মীবনি। লাইগী ৱা লৈতে, মীওই খরনা তৌবদু মীয়াম্না পংয়া য়ারগা লাকপনি। মীয়ামসিনা লৌবা ৱারেপ অমত্তা থবক ওইদ্রি হায়বা য়ারি, মীঙোন্দা নিরুবদা পীরকপা মানবদি য়াওরে। মীদগী নিবা মানবদু ৱারেপ ওইনদি লৌফম থোক্তে। নিবনা কল্লিবা, নাপলনা ৱাংলিবা অৱাংবা ফুরুপ (জাতি) নি হায়জরিবনি, ভিক্ষারি মাল্লিবসিনি, নিরগা হিংবা ষ্টেটনি। লাইলিক তম্লবদি লাই মাল্লদৌবনি, লাই হায়বসিদি খায়জিল্লগা (কৎলবদু) চাবনি। লাই মাল্লবদি লাইরিক তমদ্রবসু য়ারবনি। অদুনবু হান্নগী তল হৌবদু থাদোক্লগা দবল-রোটি চাবা তম্নরিবসিনি। চানবা পোৎ শাবদি লায়রদনা মৈখেৎ ফাওবা শাবা হৈবা নত্তে, মৈখেৎ শাবদি কদায়দগী, য়ারক থিন্নবা চৈতেক্তু ফাওবা শাবা নত্তে। মৈবা চিংবগী কুম্মৈ তৌরগা মৈ পুথোকপা শারগা লাই মান্নবা তৌনরিবনি। হায়দা হায়রুরগা পুম্নমক লাইনা পীবনি হায়রক্কনি। কার তোংলগা লাক্কনি, মাইক পাল্লগা লাউরম্বসু য়াওরিবনি। চফু শারিবসিনা লমদম অসিগী লৈবাকনি, গল্লা শারকপনা দিফুদগীনি। প্লাষ্টিক অমসুং পোলিথিন্না শারিবসিদি মপান্দগী রো-মেটরিয়েল ঙাক্তনি, মেছিন্দুসু মপান্দগীনি, মীসু মপান্দগী য়াওরি।

চক খরা লৈরগদি মী পুম্নমক মপান্দগী রো-মেটরিয়েলনা শাবা মাল্লক্কদৌরি। লাইরিক তম্বা চৎখিবশিংদুনা মপান্দা ময়ূম পানখ্রনি। লাই পূন্না পূন্না নিংমিন্নবদুনা মমাক-ইবুংঙো কাবা য়াওরক্লিবনি। তুমিন-তুমিন চঙলকপদুনা এম এল এ ওইরক্লবনি। শঙ্গোম শুম্বা ফাওবা হৈজিল্লক্তবা য়াওরবনি। ষণ শেল্লম্বদগী এম এল এ ওইখ্রবনি। অসি ফাওবদা লাই নীংবা ফুরুপ শারগা অৱাংবা থাক্কী মীওইবনি হায়জরিবনি। অদু য়ৌনা ৱাংলবদবু করিগী লাইরিক তমজরুগদৌরিবনো? নাপলদুনা মুৎলবনি।

অপোকপা মচা মশুনি খনবা ঙমদবদগী নুপী-নুপা পূন্না ৱারী শাজরম্বা ফাওবা ফারগা মরূ কোকপীরবনি। মিহুন কাগনবা খরনা ঈপাই হৌহনখ্রবনিনা ময়ূম পাল্লবসু মমিত্তা মচা উদবা কয়ানি, খরনা এবোর্সন তৌনরিবনি। মশানা মশাগী মী মশীং হন্থনবা শিল্লগা লাইরিক হৈবা শারিবনি। রেদিওদা, টি ভিদা, লাউরিবনি, ফেমিলি প্লান্নিং হায়বসি মচা পোক্তনবা ওইনা লৌরিবনি। মরী ককপগী লুপা চাম্মা-চনিনা য়ু থক্তোকই হায়বা য়াওরিবনি। মশাগী ফুরুপকী অঙাং য়ৈথরিবা ডোক্তরদুসু লাইরিক হৈবা চিংই। মশাগী ফুরুপকী অঙাংশিং গাড়ী থৌবগী ফারগা ফূরিবা, শেল কোংহল্লিবসিসু লাইরিক হৈবগী ওইগদৌরিবনি। রিশিপ শাশিন্নরগা পীরিবসি মহৈ হৈবগী ওইগদৌরিবনি। লাই শারিবনি, মসিবুনি লাই লিক তম্বা হায়নরিবসি।

ডোক্তর, ইঞ্জিনিয়র, সাইন্টিষ্ট ময়াম লৈরে, মরৈবাক্তি লৈখিদ্রে। মরমদমদু মরৈবাক কৌদ্রে। ডোক্তর কয়া রিভোলুসন তৌবা য়াওখ্রে। লান্দি হৌই রিভোলুসন তৌবদি ঙম্নদ্রি, শেলদি ফজনা তান্নরে। লাইরিক হৈবশিংগী লিটরেচরনা করিসু তৌবা ঙমদে, অশৈবশিংগী শৈলোন্না করিসু অহোংবা পুরকপা ঙমদ্রি। লাইরিক্না করি কান্নরি, পাবীনবসু লৈতে হায়নরি, পারগসু কদোমদা চৎলি খঙবা নৎত্রি। ইরিবসু পারিবসু ইরাল লাল্লি।

ইমা-ইবেন নুপী ময়াম থোল্লক্কনি। নুপীনা নুপী ওৎপগী ৱা ময়াম য়াওগনি। থিরিল চিংথোক চিংথোক্তুনা মনম নম্লগনি, নুপা য়ুঙাওবদা তায়নবা য়াওগনি। নুপী ময়াম খুনদিন্নগনি, ফুরুপ ময়ামসি পূনশিনবদি উদে। মনেম্না মমৌ কল্লোয়, নুপী মশীং য়াম্মী অমা অমুক শিনবা য়াই হায়গনি। ফুরুপ মনুংদা নুপী খরদি কাঞ্জ থাঙ ওইনা থমগনি। লাইরিক হৈবীশিংনা কোয়চেন চেনগনি, অয়াম্বনা তুমিন লৈগনি। মনা-মশিং য়োনবীশিং অহিং তূম্নদে, জোব কার্দ পায়বীশিং খ্বাংচেৎ লাক্কনি। চাবা-শেৎপা ফংবদগী করিসু হেন্দোক্লক্লোই। মচা নুপীশিংনা পরিক্ষা খুদিংগী মকোক তারক্লিবসিনি। থবক ফংখিনি, তোলোপ খরদা মনাই ওইখিনি। লিন্থোইঙম্বী কাউখিনি, মনাই থম্ববু য়াওনরক্লি। নুপা পংশিন্দা শিনবীসু য়াওগনি। মমায় শোনবী খরনা মপোক অসিমা মাঙগনি। মী মশীংদি নুপী খুন্নাইনা পুথোক্কদৌবনি। লাইরিক হৈবদগী মুৎকদৌরিবনি।

লাইরিক হৈনরকপদগী কবো তম্পাক লৌশিনগনি হায়বা য়াওনরক্লি। তশেংবদি লাইরিক হৈবশিংনা পীথোকখিবনি। ফুট ২২০০ ৱাংবা ইম্ফাল তম্পাক্না তম্পাকনি হায়রগা খৌপুম তম্পাক্না চীংনি হায়না লৌরিবসিসু লাইরিক হৈরকপগী ওইগদৌরিবনি। চীং-তম খায়দোক্লরিবসিসু লাইরিক হৈবগী ওইবা য়ারিবনি। লাই ৱায়রগা নীংনবদগী মাগী মাগী লাইগী লিক্তু মান্নরক্তবগী ওইগদৌরি, ঈদি অমত্তনি।

লাইরিক তম্ল-তম্লগা থবক শূনীংলক্তবা ওইগনি। মহৈ হৈরগদি থবক শূনীংদবা হৌনদে। থবক হৈতনা শেলদি পায়নীংবা, মিনিষ্টর ওইনীংলকপা। খরনা লম্বী থৎলগা শেল খোমগৎলকপা য়াওরিসিনি। পুম্নমক শেল তানবদা ওনশিন্নরসু ইকোনোমি করিনো খঙবদি মান্দে, কৈথেল ময়োনদি ময়াংনা পায়রি। পোৎ য়োনবা হৈবা নৎত্রি, পঙলৈদা লৈবনিনা লাইরিক তম্নদ্রবসু য়াবা ৱানি। পোৎতি অমত্তা শাদে, উপু, কাংথোল ফাওবা মপান্দগী পুশিল্লক্লে। থুম-মোরোক ফাওবা মপান্দগীনি। খুনু মকোন মানবা লাইশঙদি ময়াম য়োন্নরি, মসিবু লাই-লিক খঙবা হৈবগীরা? ফাগি মানবসিবু লাইদুনা য়ারিবনিনা লাইশিংসু জাৎ-জাৎনি, মওং-মওংনি। লাইদু লাৎলিবা মী ময়ামদুগী লৈবাকসু পীকশিল্লকপা তাবনি। লাইদুগী লিক্লম চুম্মী হায়বা ঙম্লরোই।

মীওই ৫০/৬০ ফাওবা লিংজেল মান্নবা ঙমদ্রিবদা লাই তোঙান-তোঙান নীংনরিবা মী ময়ামসিগী লিংজেল মান্নবা কদায়দগী য়াগদৌরিবনো? য়ুনিটি হায়রিবমখৈ পুনবা য়াখিরোইদৌরি, লাই নীংনরিবমখৈ পূনবা য়ারোইদৌরি। লৈতবদা লান্না থাজনবনিনা। ইপা-ইপুদি লৈরম্মী, মীগী মপা-মপুদা থাজনরগা খৎনদুনা লিংজেল মান্নরোয়দবগী শরুক লৈশু লৈরমদবা মীগী মপা-মপু নীংবদু থাদোক্লবনা অচুম্বা লাইনীং ওইগদৌরি। খঙবুদি খঙনরবনি।

অচুম্বা লম্বীদা হৈনীংবা পোকহনবদুবু মহৈ হৈহনবা কৌগদৌবনি। হৈনীংবা পোক্লবদি মহৈ হৈরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।